# মাপলশুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীট ২০১৯
## সনালৈবাক্কী কেনেদীগী গোল্ড অমা য়াওনা পুন্না মেদল মঙা লৌখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২১ঃ
ওল মণিপুর ৱাকিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(এ এম দব্লিউ জে য়ু) না শিন্দুনা চহি খুদিংগী লেপ্তনা য়াওশং মনুংদা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা চথগদবা ৯শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীর্ট ২০১৯ ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা খুমন লম্পাক মেন ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবা তোঙান তোঙনবা মশান্নশিংদা সনালৈবাক্কী মাইবম কেনেদীনা গোল্ড মেদল ১,নিংঙোবম লিল্লিকিম দেবীনা সিলভর মেদল ২,বোঞ্জ মেদল ১ অমদি পোৎশঙবম জাসোবন্তানা সিলভর মেদল ১ লৌদুনা পুন্না মেদল ৫ লৌখ্রে।

স্পোর্টস মীর্ট অসিগী ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা নুপীগী ১০০ মিটর লমজেলদা আই এস টি ভিগী ৱাই রোশিমলা দেবীনা ১৫.১৬ দা গোল্ড মেদল,সনালৈবক্কী এন লিল্লিকিম দেবীনা ১৬.৬৬ দা সিলভর মেদল অমদি ইম্পেক্ট টিভিগী ভিক্টোরিয়া আর কেনা ১৬.৭৪ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী ১০০ মিটর লমজেলদা আই এস টিভিগী দব্লিউ কুমারজিৎনা ১২.৬১ দা গোল্ড মেদল,সনালৈবক্কী পি জসোবন্তনা ১২.৯৯ দা সিলভর মেদল অমদি মান্নবাগী এল ওলেম্পসনা ১৩.৫১ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।





নুপাগী লোঙজমদা সঙাই এক্সপ্রেসকী টি ঐচ কিসন না ৪.৯৭ দা গোল্ড মেদল,আই এস টিভিগী এল অরুননা ৪.৯০ দা সিলভর মেদল অমদি এন বিপিনচন্দ্রানা ৪.৭৬ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী লোঙজমদা আই এস টিভিগী ৱাই রোশিমলানা ৩.৫৬ দা গোল্ড মেদল,ইম্পেক্ট টিভিগী আর কে ভিক্টোরিয়ানা ৩.৩২ দা সিলভর মেদল অমদি আই এস টিভিগী টি ঐচ জোয়া লক্সমিনা ৩.২৪ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী ৪০০ মিটর লমজেলদা আই এস টি ভিগী এস রোশিমলানা ১ঃ২৯ঃ২ দা গোল্ড মেদল,মিদিয়া য়ুনিফাইদগী ঐচ রোনিবলানা ১ঃ৩৪ঃ৯৪ দা সিলভর মেদল অমদি সনালৈবাক্কী এন লিল্লিকিমনা ১ঃ৩৫ঃ৬৫ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী ৪০০ মিটর লমজেলদা সনালৈবাক্কী এম কেনেদীনা ১ঃ০৭ঃ৮১ দা গোল্ড মেদল,টোম টিভিগী এন নন্দাকুমারনা ১ঃ১০ঃ১১ দা সিলভর মেদল অমদি ইম্পেক্টে টিভিগী ই মুসুকনা ১ঃ১০ঃ৮০ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী সোট পুটদা সঙাই এক্সপ্রেসকী টি ঐচ কিসননা ১১.৩৭ দা গোল্ড মেদল,ইম্ফাল টাইমসকী এ কে জিৎনা ১১.৩৬ দা সিলভর মেদল অমদি আই এস টি ভিগী বিনোই এননা ১০.৬৯ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী সোট পুটদা আই এস টিভিগী ৱাই রোশিমলানা ৬.৬৭ দা গোল্ড মেদল ,সনালৈবক্কী এন লিল্লিকিমনা ৬.২৩ দা সিলভর মেদল অমদি আই এস টিভিগী এ বাবিটনা ৬.০৬দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী দিসক্স থ্রোদা আই এস টিভিগী কুমারজিৎনা ২৮.২৬ দা গোল্ড মেদল,সঙাই এক্সপ্রেসগী টি ঐচ কিসননা ২৭.৬৫ দা সিলভর মেদল অমদি ইম্ফাল টাইমসকী এ কে জিৎনা ২৬.৭৫ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী দিসক্স থ্রোদা ইম্পেক্ট টিভিগী ভিক্টোরিয়ানা ১৮.৫৮ দা গোল্ড মেদল ,আই এস টি ভিগী বেবিতানা ১৭.৩৯ দা সিলভর মেদল অমদি ইম্পেক্ট টিভিগী রিনানা ১৭.৩৩ দা বোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুংথিল শান্নখিবা ভোল্লিবোলগী ইভেন্তকী ফাইনেলদা তোম টিভিনা সঙাই এক্সপ্রেসপু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

**Medal Tally**

| Rank | Team | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ISTV | 6 | 2 | 4 | 12 |
| 2 | SANGAI | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 3 | SANALEIBAK | 1 | 3 | 1 | 5 |
| 4 | IMPACT TV | 1 | 1 | 3 | 5 |

# নিপালশুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯
## আই দব্লিউ দি এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২১ঃ
কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ)না শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী ২৫ ফাওবা চথগদবা ৮শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফুটবোল মশান্নদা আই ই দি এফ এ অমদি থৌবাল দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা আই দব্লিউ দি এফ এনা দি এস এ –বি পি আরবু মায়থিবা পীখ্রে।

ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৮শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা আই ই দি এফ এ অমদি থৌবাল গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবনা হোৎন্নরবসু টিম অনীমক্না গোল ওন্থোকপা য়াবা তাঞ্জাশিং অদু মাঙহনবদগী অপীবা মিনট লোয়রা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎখি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা আই দব্লিউ দি এপ এনা দি এস এ–বি পি আর বু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটশিংদা দি এস এ–বি পি আরনা বোল হেন্না পায়রগা আই দব্লিউ দি এফ এগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মিনট ৭ চৎপদা বি পি আরগী জর্সি নম্বর ৪ সোমোজিৎনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল অসিনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা আই দব্লিউ দি এফ এনা গোল হন্দোক্নবা হোৎন্নরক্তুনা শান্নরকখি।

টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ দেনেলনা মেটচকী মিনট ৪৩,৪৯ অমদি ৫০ দা গোল ৩ চন্দুনা আই দব্লিউ দি এফ এনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বি নকশিনখি।

টিম অসিগী ৪শুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ রোসটমনা মিনট ৬১ চৎপদা চন্দুনা ৪–১ দা লৈদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না সঙাইপ্রোক্ত মমাঙ লৈকাই কম্মুনিটি হোলদা ৪শুবা কংলৈপাক থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা এস ৱাই দি সিগী প্রসিদেন্ট টি ব্রজাবিধু,হুয়েন লাঙলোন থাং–তা এসোসিয়েসনগী ভিপি টি ঐচ প্রিয়োকুমার,নেসনেল এর্ৱদি ইবোতোম্বি খুমন,পি পি সি এমগী কো–কনভেন্নর চিংখ্ৱৈ লুৱাং,এস এন সিগী প্রসিদেন্ট টি খুমন মৈতৈ,এস এন সিগী সেক্রেটরি টি খুমন সনা অমদি এস এন সিগী এদভাইচর এল ইবোয়াইমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট,প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান–তোঙানবা য়ুনিট ১৭ দগী নুপামচা ১১৯ অমদি নুপীমচা ৭৩ পুন্না শান্নরোই ১৯২ গা লোয়ন্ননা ওফিসিয়েল ৩৩ না শরুক য়ারি।



# অহুমশুবা ৱাই দি সি ফুটবোল ট্রোফি

ইম্ফাল,মার্চ ২১ঃ
য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি)য়াইরিপোক খোয়রোম্না শিন্দুনা য়াইরিপোক খোয়রোম কাঙজেবুংদা টিম ২৪ না গ্রূপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এফ এফ সি সি অঙথানা আই এফ সি ইরেংবমবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এফ এফ সি সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ মুজাহিদুরনা মিনট ২৬,অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অহুমদুনা জর্সি নম্বর ৮ ধনা না মিনট ৩৮,জর্সি নম্বর ৪ জেমসনা মিনট ৪৫ অমদি জর্সি নম্বর ১০ কইকুনা মিনট ৫০ দা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মায়চৌ ৭ না এনদিবোর এফ সিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা মায়চৌ ৭কী গোল অদু জর্সি নম্বর ২ এন রিবন্তানা অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৩ দা চনখি।

# অহানবা দব্লিউ দি ৱাই সি ট্রোফি

ইম্ফাল,মার্চ ২১ঃ
দি ৱেষ্ট দিভলপমেন্ট য়ুঠ ক্লব লমদেং খুনৌনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ দগী দব্লিউ দি ৱাই সি গ্রাউন্দ লমদেং খুনৌ(লমশাং)দা টিম ৮ না গ্রূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা দব্লিউ দি ৱাই সি ট্রোফি ষ্টেট লেভেল য়ু–১৩ (বোইজ)ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা মেটচ ওইনা এম ৱাই এল সি অমদি ক্রিপ্সা(এ) শান্নগদবদা এম এল ৱাই সি শান্নবা লাকখিদ্রে।

১০ শুবা মেটচতা রেনিদি ফুটবোল স্কুলনা দব্লিউ দি ৱাই সিবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা রেনিদি ফুটবোল স্কুলগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১০ ভারতনা মিনট ৪,অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অহুম অদুনা ভারতনা মিনট ৩৫,জর্সি নম্বর ১১ রিশিকন্তনা মিনট ৩৯ অমদি জর্সি নম্বর ১৯ বিয়োননা মিনট ৪৯ দা চনখি।

# রমন স্পোর্টস একাদেমীনা জেন একাদেমী ফোর স্পোর্টিং এক্সলেন্সপু মায়থিবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ ঃ হিরো সব–জুনিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা রমন স্পোর্টস একাদেমীনা জেন একাদেমী ফোর স্পোর্টিং এক্সলেন্সপু গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখ্রে অমসুং থেন ফুটবোল স্কুল এফ ইন্দিয়া অমদি ইরন বোর্ন এফসি দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা রমন স্পোর্টস একাদেমীনা জেন একাদেমী ফোর স্পোর্টিং এক্সলেন্সপু গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা রমন স্পোর্টস একাদেমীগী শান্নরোই ক্ষেত্রিময়ুম মোটিলাল সিংহনা মেটচকী ৮, ১০ অমদি ১২ শুবা মিনটতা গোল ৩, অসৱাথ জেনা মেটচকী ৬শুবা মিনটতা গোল ১গা চনদুনা জেন একাদেমী ফোর স্পোর্টিং এক্সলেন্সপু গোল ৪–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফতা রমন স্পোর্টস একাদেমীগী শান্নরোই অর্জুন গৌদা এমনা মেটচকী ৫১ শু মিনটতা গোল ১, অসৱাথ জেনা মেটচকী ৫৬, ৬২ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা গোল ৩ অমগা চনশিন্দুনা জেন একাদেমী ফোর স্পোর্টিং এক্সলেন্সপু গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ ওইনা থেন ফুটবোল স্কুল ওফ ইন্দিয়া অমদি ইরান বোর্ন এফসি টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীমক্না অপীবা মিনটতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা থা অসিগী ২২ দা ইন্দিয়ান ফুটবোল একাদেমী অমদি মুম্বাই সিটি এফসি গা লম্বা থেংনরগনি।

| Bengaluru: Group B | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Team | P | W | D | L | Pts |
| Bengaluru Football Club | 5 | 5 | 0 | 0 | 15 |
| Raman Sports Academy | 6 | 2 | 2 | 2 | 8 |
| Ananthapur Sports Academy | 5 | 2 | 2 | 1 | 8 |
| Boca Juniors Football School | 5 | 2 | 0 | 3 | 6 |
| Jain academy for sporting excellence | 5 | 0 | 0 | 5 | 0 |

# অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## টি ৱাই দি এ,এ২ অমদি এল ৱাই পি ও সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২১ঃ
পার্টসোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লবনা শিন্দুনা পার্টসোই পার্ট–৩ ফুটবোল গ্রাউন্দা টিম ২১ না গ্রূপ ৭ থোক্না খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১৮ দগী চথরকপা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি ৱাই দি এ,এ২ পার্টসোই অমদি এল ৱাই পি ও সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা টি ৱাই দি এনা এ২(বি)বু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা টি ৱাই দি এগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ নানিনা মিনট ১২ অমদি জর্সি নম্বর ১০ জোহিদাসনা মিনট ২০ প্লস ১ দা অহানবা হাল্ফকী গোল ২ চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ জোহিদাসনা মহাক্কী অনীশুবা ওইনা মিনট ২৮ চৎপদা টিমগী অহুমশুবা গোল ওইনা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা এ২ পার্টসোইনা অমন এফ সিবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এ২ পার্টসোইগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৪ জরসিনা মিনট ৬ তা গোল ১ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ ইমারমনা মিনট ১৭,জর্সি নম্বর ৮ গোপিনা মিনট ২৬ অমদি জর্সি নম্বর ১২ জেরিনা মিনট ২৯ দা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা এল ৱাই পি ও সিনা পি টি সি সি(সি)বু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এল ৱাই পি ও সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৪ থাপানা মিনট ১২ তা গোল ১ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল ৩ অদুনা জর্সি নম্বর ১ জিম্বোনা মিনট ৩৩,জর্সি নম্বর ১৪ থপানা মিনট ৪৬ অমদি জর্সি নম্বর ১০ দিপ থপানা মিনট ৪৭ দা চনখি।

মায়থিরবা পি টি সি সি (সি) গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৮ রোবার্টিনা মিনট ১৫ দা চনখি।



# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা ভোল্লিবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২১ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা তেরা অচৌবা জিম এসোসিয়েসন য়ুম্নাম হুইদ্রোম,থিয়াম লৈশাংখোঙনা শিন্দুনা তেরা মখোং লম্পাক্তা থা অসিগী ১৭ তগী টিম ৭ না গ্রূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা অনীশুবা খুরাইজম ওংবী নুপীমচা দেবী নিংশিং মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমবু ষ্ট্রেট সেটদা ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা পোইন্ট ২৫–২১,২৫–১৬,২৫–২৩ স্কোর তৌখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা লুপা লিশিং ৫০,০০০গা লোয়ন্ননা ট্রোফি অমদি রন্নর্স অপ টিমদা লু লিশিং ৩০,০০০গা লোয়ন্ননা ট্রোফি খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র অমদি বেষ্ট ষ্টপাইকরদা এম পি এস সিগী দব্লিউ সন্তোস অমদি রোবিসন গাংমৈনা তাখি।

বেষ্ট সেল্টর,বেষ্ট ব্লোকর অমদি বেষ্ট দিফেন্দরনা এন ৱাই ভি এগী ইন দ্রাজিৎ সনাশম,এস সান্তিকুমার অমদি থোঙাম পামৈনা তাখি।

সেমি ফাইনেলদা এম পি এস সিনা এ আর সিবু ৩–২ অমদি অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা এন ৱাই ভি এনা ৱাই এম দি ওবু ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।



# অহানবা থৌবাল ৱান দে লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট
## সি এ এল অমদি অল অমিন ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল,মার্চ ২১ ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনা শিন্দুনা থৌবাল মোইজিং প্লে গ্রাউন্দা টিম ৬ না নোক আউট বেসিক্তা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১১ দগী চথরকপা অহানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱান দে লীগ কম নোর্ক আউট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেল থা অসিগী ২২ দা সি এ এল মসাজিদ রোদ অমদি অল অমিন লিলোংগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা ঐচ সি সিনা টি ক্যু সিবু রন ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ঐচ সি সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ২২ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩১ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা টি ক্যু সিনা ওভর ২২ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৩ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৮ দা মায়থিখি।

ঐচ সি সিগী বেট্টিংদা সারোসনা বোল ৩২ দা রন ৩০,নন্দোনা বোল ২৩ দা রন ২৭,সন্তোসনা বোল ২৫ দা রন ২২ অমদি সোহেলনা রন ১৩ লৌখি।

টি ক্যু সিগী বোল্লিংদা সুনামনিনা ৱিকেট ৪ অমদি স্যামসননা ৱিকেট ২ লৌখি।

টি ক্যু সিগী বেট্টিংদা সজিৎনা বোল ৪১ দা রন ৪৫,সুনামনিনা বোল ২৯ দা রন ২০ অমদি সমান্দানা বোল ২৫ দা রন ২০ লৌখি।

টি ক্যু সিগী বোল্লিংদা অব্দুল খালিকনা ৱিকেট ৩,সোহিলনা ৱিকেট ২ অমদি ননাওনা ৱিকেট ১ লৌখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ঐচ সি সিগী ৱিকেট ৩ লৌখিবা অব্দুল খালিকনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা অল অমিন লিলোংনা সি এ এল মসাজিদ রোদপু রন ৪৪ দা মায়থিবা পীখি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com